# ‘সাউদি অরাবিয়াদা এটেক তৌবদা শীজিন্নখিবা য়ু এসনা ফাখিবা মিসাইলশিংং ইরানদগী হৌরকখিবশিংনি’



ন্যু য়োর্ক, জুন ১২, (এজেন্সি) :
হৌখিবা চহীদা সাউদি অরাবিয়াগী ওইল ফেসিলিটিশিং অমসুং ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমদা চথখিবা এটেক কয়াদা শীজিন্নখিবা ক্রুজ মিসাইলশিং ইরানদগী হৌরকখিবশিংনি হায়না রিপোর্ট অমদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা খঙহনখ্রে।

য়ু এসনা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর অমসুং কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারিদা সীজ তৌখিবা খুৎলায়শিং অমসুং মরী লৈনবা মচাক-মথুমশিংদা য়াওরম্বা পোৎলম কয়া ইরানদগী হৌরকপা ওইরমখি হায়নসু গুটরেসনা ফোঙদোকখি।

খুৎলায় খরদি ইরানদা লৈবা কম্মার্সিএল এন্টেটি অমনা পুথোকখিবা খুৎলায়শিংগা মান্নবা মওংশিং ওইখি। খুৎলায়শিং অদুদা ফার্সি মার্কিংশিং য়াওরমখি। খুৎলায় খরদি কুমজা ২০১৬ গী ফেব্রুৱারি অমসুং কুমজা ২০১৮গী এপ্রিলগী মরক্তা লৈবাক অসিদা দেলিভর তৌখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, আইটেম খরদি ইরানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শাবা থিংনবগীদমক্তা মালেমগী পৱারশিংগা লৈবাক অসিগা য়ানখিবা দিলগা মরী লৈনবা কুমজা ২০১৫গী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন অমগা চান্নদবা মওংদা ট্রান্সফর তৌখিবগী মওং লৈ। য়ু এনগী রিপোর্ট অসিগী মতাংদা করি ৱাফম লৈবগে হায়না হংবদা ন্যু য়োর্কতা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবা ইরানগী মিসন্না খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

ৱাশিংটন্না মেম্বর ১৪গী সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ন্যুক্লিয়র দিল অদুগী মখাদা লাক্লিবা ওক্তোবরদা মতম লোইরগদবা খুৎলায়গী অথিংবা অমা মখা তানা ইরানদা থম্নবা তকশিল্লিবনি। কাউন্সিলগী ভিটো পৱারশিং ওইরিবা রসিয়া অমসুং চাইনাগী ওইনদি খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। ইরানগী মথক্তা থম্লিবা খুৎলায়গী অথিংবা অমসুং অতৈ অথিংবা কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা গুটরেসনা কাউন্সিলদা চহী অমগী মনুংদা অনীরক রিপোর্ট তৌদুনা লাক্লি। খুৎলায়শিং অদুগী মকুপ মকায়শিংদা য়ু এন্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা ৱারেপ অসি তারিবনি হায়না য়ু এন চীফনা ফোঙদোকখি।

## মোস্কতা বোম পোকখায়বদা ৪ শিরে

কাবুল, জুন ১২ (এজেন্সি) :
ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা অফগানিস্তানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা মোস্ক অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিরে অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নংলে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সির সাহ-ঈ-সুরি মোস্ককী মনুংদা থল্লম্বা এক্সপ্লোসিভশিং ইরাই নুমিৎকী লাইশোন চথরিঙৈ মনুংদা পোকখায়রকখি। শিখিবশিংগী মনুংদা মোস্ক অদুগী মুলা য়াওখি।

এটেক অদু খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। পনবা য়াবদি, অফগানিস্তানদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনসু হৌখিবা থা খরা অসিদা কাবুলদা এটেক কয়া চথ্দুনা লাকখি।

চৈরকসিদা, কাবুল গভর্ণমেন্টকী টিম অমসুং টালিবানগী মরক্তা খুদক্তা অফগান মশেলগী ওইবা নিগোসিএসন তৌগদবনি হায়না য়ু এসকী স্পেসল ইনভোই জলমে খলিল জাদনা ফোঙদোকখ্রে। ৱারী শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা অফগান গভর্ণমেন্টনা টালিবান প্রিজনর কয়া থাদোকপা লৈখ্রবনি।

# উংখৎনবা মরক্তা রসিয়ানা অনৌবা ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ সবমেরিন শীজিন্নবা হৌখ্রে

মোস্কো, জুন ১২, (এজেন্সি) :
রসিয়াগী টেক্নোলোজিদা এদভান্স ওইরবা অনৌবা ন্যুক্লিয়র-পাৱর্দ সবমেরিন ইরাই নুমিত্তগী শীজিন্নবা হৌখ্রে।



মোস্কো অমসুং নোংচুম রোমগী মরক্তা খুৎলায় কন্ট্রোলগী উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা খোঙথাং অসি লাউথোরকখিবনি। বুলাভা ইন্টরকন্টিনেন্টেল ন্যুক্লিয়র মিসাইলশিং পুনবগীদমক্তা দিজাইন তৌবা কেনিয়াজ ৱ্লাদিমির (প্রিন্স ৱ্লানিমির) হায়না মমিং থোল্লগা সবমেরিন অদু রসিয়া দেগী সেলেব্রেসন মনুং ইরাই নুমিৎতা নেভিদা শীন্নখি।

য়ুক্রেনগী মতাংদা নোংচুপলোমগী পাৱরশিংগা মুক্নরিঙৈ অমসুং কোল্ড ৱার মতমগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র পেক্ট অমা চৎনহনখিদ্রবা মতুং খুৎলায়গী লমজেল অমা লাক্লগদ্রা হায়বগী মীপায়নরিঙৈগী অনৌবা সবমেরিন শীজিন্নবগী ৱাফম অসি লাউথোরক্লিবনি।

বোরিএস ক্লাস সবমেরিন অদু রসিয়ন ষ্টেটকী হৌরকফম ওইরিবা হৌজিক্কী য়ুক্রেনদা লৈবা লমদম অমা ওইরিবা মেদিভল মতমগী কেবান রুসকী লৈঙাকপা অমগী মমিং লৌরগা থোনখি।

ক্লাস অসিদা পুথোক্লিবা অহানবা ওইনা অপগ্রেট তৌবা ৯৫৫-এ মোদেল অসি প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুতিনগী ন্যুক্লিয়র-পাৱর্দ ফ্লিট অদগ্রেট তৌবগী থৌরাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবশিংগী মনুংদা অমনি।

সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খিবা মতুং মতম শাংদনা হৌখিবা বোরৈ সবমেরিন প্রোজেক্ট অসি ফন্দ ৱাৎপা অমসুং বুলাবা মিসাইলগী চাংয়েংশিং ফেল ওইদুনা মতম শাংনা পনখি। ৱাশিংটন অমসসুং মোস্কোবু খুৎলায়গী মতাংদা লাকশিনবা য়ানবা কোর ৱারগী মতমদা চৎনবা হৌখিবা ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস ত্রিতি চৎনখিদবদগী মালেমগী খুৎলায় কন্ট্রোলগী ফিভদা অকয়াবা লাকখি।

মোস্কোনা ত্রিতি অসিবু থৌওইদে হায়না মরাল শীন্নদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা হৌখিবা ওগষ্টতা ত্রিতি অসিদগী হন্দোকখি। রসিয়ানদি ৱাশিংটনগী ৱাফম অসি য়াদ্রি। রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মরক্তা লৈরিবা ইরোই লোইবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই কন্ট্রোলগী ত্রিটি-ন্যু ষ্টার্ট ত্রিতি কুমজা ২০২১দা মতম লোইগদবনি।

## অনৌবা কেসশিং থেংনবদগী সিওলগী মেট্রোপোলিটান এরিয়াদা অথিংবা থম্লগনি

সিওল, জুন ১২(এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ৫৬ ইরাই নুমিৎতা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা কেপিটেল সিওলগী মী কুংনা তারিবা অয়াম্বা কেস থেংনরিবা মেট্রোপোলিটান এরিয়াদা লায়না লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং মতম কত্তুনা চৎনহল্লে হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রে।

কোরিয়া সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (কে সী টি সী)গী মতুং ইন্না লোকেল ইনফেক্সন ৪৩ য়াওনা অনৌবা কেস ৫৬ অসি থারগা লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ কেস মশিং পুন্না ১২,০০৩ য়ৌরে। লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস পুম্নমক কেপিটেল সিওল অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা থেংনখি।

কেপিটেল সিটি কোয়শিল্লিবা গিয়োংগি প্রোভিন্সতা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট মশিং ১০০০ হেনখ্রে। সাউথ কোরিয়ানা হৌখিবা মে ৬তা অকনবা সোসল দিষ্টেন্সিংগী গাইদলাইনশিং কোমথোকপা হৌখিবগা লোয়ননা মে থাখাইদগী হৌরগা তাঙ্কক নাইনা স্কুলশিং হাংহনখি। অদুম ওইনম সোসল দিষ্টেন্সিংগী গাইদলাইনশিং কোমথোক্লিবসি সিওলগী নাইট ক্লব চৎপা মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন কনফার্ম তৌবা খরা থেংনবদগী অরুবা ফিভমদা লাক্লে হায়না লৌনরি। অনৌবা কেস মশিং দিজিট অমগী চাংদা হন্থরক্তবা তারবদি অকনবা সোসল দিষ্টিন্সিংগী স্কিম অমা চৎনহল্লগনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# গ্লাস ভাইল শাবশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগীদমক শেম শানরি

ফ্রেঙ্কফর্ট, জুন ১২(এজেন্সী):
মতম খরগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন শোইদনা থোক্লক্লগনি হায়না থাজনবগা লোয়ননা দ্রগ মেকরশিংনা ভেক্সিনশিং অদুগী হাপফম ওইগদৌরিবা ভাইলশিং কোন্নগদবা মওংদা মতম চানা মরাং কায়না শাবা ঙমদবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরি।

তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না ভাইল মরাং কায়না ফংবা ঙম্নবা হাথু-হাথু হোৎনরকপগী থবক্লা ফিভম অসি হেন্না লুশিলহনবা য়াই হায়না মরু ওইবা মেদিকেল ইক্যুপমেন্ট মেনুফেকচরর খরনা হায়রি। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিন ভাইলশিংগী স্পেসলিটি গ্লাস মেকর ওইরিবা স্কোট এ জি হায়রি মদুদি, করম করম্বা ভেক্সিনশিংনা ইফেক্টিভ ওইনা মথৌ তৌবা ঙমগনি হায়বসি চপ চানা লেপ্লিঙৈগী মমাঙদা অরৈবা রিছোর্সশিং শীজিন্নবা পামদবনা মরম ওইরগা মরু ওইবা ফার্মাস্যুটিকেল ফার্মশিংনা পোত্থোক রিজার্ব তৌনবা হায়জরকপদা কম্পেনি অসিনা য়াখিদ্রে।




মমৈথংদা থাঙৈ শেংনা মায় পাক্লক্লদৌরিবশিংদা ঐখোয়গী কেপাসিটি শীন্ননবা ওইনা লেপ্লে। ঐখোয় খ্বাইদগী ফবা ভেক্সিন পেকেজ তৌবা ঙমদবশিং ওইনা প্রেসনা ফোংলকপদু পামদে হায়না কম্পেনি অসিগী চীফ একজিক্যুটিব ফ্রেঙ্ক হেনরিটসনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা নুমিৎ খুদিংগী মী লিশিং/লিশিং শিরকপা অমসুং ভাইরস লাকশিন্নবগী থৌরাংশিংনা মালেম পুম্নবু রিসেসনগী ফিভম মায়োক্লহল্লকখিবগা লোয়ননা ফাইজর, অষ্ট্রাজেনেকা য়াওনা দ্রগ মেকরশিং হেল্থ ক্যের গ্রুপশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা ইফেক্টিভ ভেক্সিনশিং পাক শন্না পুথোক্লবা হোৎনরিবনি।

## য়ু কে গী ৱাফম হোংকোং অমসুং বৈজিংনা রিজেক্ট তৌখ্রে

হোংকোং, জুন ১২(এজেন্সী):
বৈজিংনা হোংকোংদা নেসনেল সিক্যুরিটি লেজিসলেসন চৎনহন্নবা হোৎনরকপগী থৌওং ক্রিটিসাইজ তৌবা বৃটেনগী রিপোর্ট অমা চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিনবা অমসুং মীচং মীখাই নাইবগী থৌওংনি হায়রদুনা ইরাই নুমিৎতা হোংকোং গভর্ণমেন্ট অমসুং সিটি অসিদা লৈবা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ব্রাঞ্চনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

প্রাপোজ তৌরিবা লেজিসলেসন অদু চাইনানা মালেমদা ঙাক্কনি হায়না মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফম কয়া খোঙ্গাওনৈ অমসুং কুমজা ১৯৯৭তা চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবদগী হান্নগী বৃটিস কোলোনি অসিবু লৈঙাক্লকখিবা ‘ৱান কন্ট্রি-টু সিষ্টেম’কী ফোর্মুলা অসি থুগাই হায়না বৃটিস গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবনি।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুদা চহী অমরোম চথরক্লিবা সিটিজনশিংগী ইরাংগী সোল্যুসন হোংকোংনা পুথোকচগনি, বৈজিংনা পুথোক্কদবা নত্তে হায়না বৃটিস ফোরেন মিনিষ্টর দোমিনিক রাবনা ফোঙদোকখি। হোংকোংদা লৈবা চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যের্সকী কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখিবদা বৃটেননা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিন্দবগী ৱাফম য়াওনা ইন্টর্নেসনল লোগী প্রিন্সিপলশিং চাওনা খোঙনেৎনরে। হোংকোং গভর্ণমেন্টনসু চুমদবা অমসুং মীচং মীখাই নাইবা ৱাফমশিং য়ারোই হায়খি।

## মুম্বাইদা ঈচাওগী ৱার্নিং সিষ্টেম থমখ্রে

মুম্বাই, জুন ১২ (এজেন্সি) :
চেন্নাইগী হেক মথংদা ইরাই নুমিৎতা মুম্বাইদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ষ্টেট-ওফ-দ-আর্ট ইন্টিগ্রেটেদ ফ্লদ ৱার্নিং সিষ্টেম (আই এফ দব্লীয়ু এস) থমখ্রে।

সিষ্টেম অসিনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ হুম্নি মাংওইননা ঈশিং- ঈচাওশিং থোক্লকপা য়াই হায়বসি খঙবা ঙমদুনা পুন্সি কয়া কনবদা মতেং ওইরগনি হায়রি। সিষ্টেম অদু য়ুনিয়ন আর্টস সাইন্সেস মিনিষ্টর হর্স বর্ধন অমসুং মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাকরেননা নাকল অনীমক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী মমাঙদা ভিদিও-কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পুন্না হৌদোকমিন্নখি।

সিষ্টেম অসিগা লোয়ননা আই এফ দব্লীয়ু এস দিভলপ তৌরিবা আর্ট সাইন্সেস মিনিষ্ট্রিগী সাইন্টিষ্টশিংনা ইন্দিয়াসু সাইন্সকী লমদা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী হন্দদরে হায়বসি প্রুভ তৌরে হায়না হর্স বর্ধননা ফোঙদোকখি।

সিষ্টেম অদুবু মুম্বাইগী মীয়ামদা পীবা খুদোল অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা থাকরেনা হায়খি মদুদি, মোন্সুনগী প্রিদিক্সন পীবা লুরক্লবা মতম অসিদা আই এফ দব্লীয়ু এসনা সিটি অসিগী মীয়াম্বু চাওনা কান্নহল্লগনি।

# ই এস আই স্কামদা অন্ধ প্রদেশকী হান্নগী মিনিষ্টর অমা এন্টি করপসন ব্যুরোনা ফারে

অমরাবতি, জুন ১২, (এজেন্সি) :
অন্ধ্র প্রদেশকী হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিসন টেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি)গী লিদর অচান নাইদু ইরাই নুমিৎতা এন্টি-করসপন ব্যুরো (এ সী বি)না ই এস আই স্কামগা মরী লৈননা ফাগৎখ্রে। অমরোমদা মহাক্কী পার্টিনা খোঙথাং অদু পোলিটিকেলগী ওইবা লমন খুন্বগী থৌওংনি হায়খ্রে।



লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ওপোজিসন মেম্বর অদু মমাঙগী টি দি পি লৈঙাক লৈরিঙৈ মনুংদা ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স (ই এস আই) হোস্পিটালশিংগী হীদাক লাংথকশিং অমসুং ইক্যুপমেন্ট লৈবদা অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়বগী মরালদা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ রোম তাবদা স্রিকাপুলম দিষ্ট্রিক্টকী নিমেদা ভিলেজদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখিবনি।

এ সী বিনা অচানাইদু য়াওনা এক্যুজ তরুক অদু নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা বিজয়াৱাদাগী মেজি ষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। অচানাইদু অসি ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সী পি)না চহী অমগী মমাঙদা পাৱর পায়খিবদগী করপসনগী কেস অমদা ফাবা টি দি পিগী অহানবা মকোক থোংবা লিদরনি। অদুম ওইনমক টি দি পিগী মরু ওইবা লিদর অদু ফাখিবগী থৌওং অদুবু মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি অসিনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌখি। পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রাবাবু নাইদুনা অচানাইদু কিদনেপ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

টেকালিগী এম এল এ অসিগী লোয়নবী বিজয়ামাধবিনা হায়খি মদুদি, মীওই ২০০-৩০০ রোম কম্পাউন্দ ৱাল লাল্লগা মখোয়গী ময়ুমদা চংলকখি অমসুং মহাকপু থুনা পুরগা চৎখি।

এম এল এ অসিগী মচানুপা থোকপা স্রিকাকুলামগী এম পি কে রামোহন নাইদুনা মহাক্কী মখুরা ফাখিবদু মাংজৌননা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয়গী ইমুং মীয়ামগীদমক্তা অফবা থবক তৌরকপগী রেকোর্দ লৈ হায়রদুনা মহাক্না ফোঙদোকখি মদুদি কেস অদু কোর্টতা থেংনগনি। মখুরা ফারিবা অদু জগনমোহন রেদিলি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা পোলিটিকেল্লি লমন খুন্বগী খোঙথাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# দিল্লিগী কোভিদ-১৯গী ফিভম অকিবগী মশক্লি : এস সী

ন্যু দিল্লি, জুন ১২, (এজেন্সি) :
সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা দিল্লি গভর্ণমেন্টপু চৈরদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মনুং অসিদা উবা ফংলিবা পেসেন্ট ক্যেরগী ফিভম অকিবগী মশক্লি হায়খ্রে।



এপেক্স কোর্ট অসিনা ৱার্দশিংদা নত্তনা লোবি অমসুং ৱেটিং এরিয়াশিংদসু অশিবা হকচাংশিং তারগা লৈবগী শক্তমশিং উৎলিবা দিল্লিগী মেদিকেল ৱার্দশিংদা লৈরিবা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা ফিভমশিং ফোঙবা ন্যুজ রিপোর্টশিং পনবগা লোয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

দিল্লিগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ সেপেন্টশিং নীংথি নুংঙাইনা তৌবিদবা অমসুং কোভিদ সেপেন্টশিংগী অশিবা হকচাংশিং য়েংবদা নুংঙাইতবা মওংদা হেন্দল তৌবগী থৌওংশিংগী মতাংদা সু মোটো কোগনিজন্স লৌখৎখিবা জষ্টিসশিং অসোক ভুসন, এস কে কোল অমসুং এম আর সাহগী বেঞ্চ অমনা ওবজার্বেসন অসি পীখিবনি।

বেঞ্চ অসিনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা অশিবা হকচাংশিং হেন্দল তৌবগী মতাংদা চৈরদুনা হোস্পিটালশিংদা চথরিবা অমসুং উরিবা কয়াদু অকিবগী মশক্লি হায়খি। কোর্ট অসিনা কোভিদ পেসেন্টশিংবু শাদগীসু হেন্না থিনা তৌবি হায়রদুনা গার্বেজতা অশিবা হকচাংশিং থেংনবা হায়বসি য়াম্না হঙ্গোইনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।

সেন্টর রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসর মেহতানা হায়খি মদুদি, দিল্লিদা অশিবা হকচাংশিং লায়েং চথরিবা পেসেন্টশিংগী নাকলদা লৈরম্বগী কেস ফাওবা থেংনখি। মেহতানা অশিবা হকচাং অমদা ইকায় খুম্নবা উৎতবা হায়বসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা ওফেন্স অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মদুদা জষ্টিস সাহনা মঙোন্দা ফিভমশিং অদুগী মতাংদা করি তৌরবগে হায়না হংখি।

বেঞ্চ অসিনা হায়খি মদুদি, পেসেন্ট কয়া কপ্পুনা লৈ অমসুং মখোয়বু কনা অমত্তনা য়েংশিনবীদে। এল এন জে পি হোস্পিটালগী ভিদিও অমদা অশিবা হকচাংশিং কয়াম থিনা হেন্দল তৌবগে হায়বদু উবা ফংখি। অশিবা হকচাংশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎপগী মওং অমত্তা উবা ফংদে হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তাখি।

সেন্টরগী গাইদলাইনশিং ঙাক্তে অমসুং হোস্পিটালশিংনা অশিবা হকচাংশিংগী ক্যের অমত্তা লৌদে হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি। দিল্লি গভর্ণমেন্টপু ক্রিটিসাইজ তৌরদুনা কোর্ট অসিনা হায়খি মদুদি কনামত্তা হোস্পিটাল অসিদা চৎপা পামদবদগী বেদ লিশিং ২ হেন্না হাংদুনা লৈ। হোস্পিটালশিংদা সেপেন্টশিং ক্যের অমত্তা লৌবিদে হায়না দিল্লি গভর্ণমেন্ট রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদভোকেট চিরাগ সৌরবতা বেঞ্চ অসিনা খঙহনখি। চৈরকসিদা, হোস্পিটালশিংগী বেদকী কেপাসিটি হেনগৎহনবা অমসুং মেদিকেল রিছোর্সশিং হেনগৎহনবনা পেন্দেমিক অসি থেংনবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎফম থোকপা থবক্লি হায়না লেফটনেন্ট গভর্ণর অনিল বৈজালনা ফোঙদোকখ্রে। দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালগা উনবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# য়ু এস, ইন্দিয়া, চাইনানা খেন্নবশিং নাকলদা থম্লগা পেন্দেমিক থেংনগদবনি



ন্যু দিল্লি, জুন ১২(এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইন্দিয়া, চাইনানা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা অমগা অমগা য়ান্নদবা ৱাফমশিং নাকলদা থম্লগা কোভিদ-১৯গুম্বা ক্রাইসিস অমা খুৎশম্নদা থেংনফম থোকপদা অসুম্না তৌদ্রিবসি লাইবক থিবনি হায়না য়ু এসকী হান্নগী দিপ্লোমেট নিকোলাস বর্ন্সনা ইরাই নুমিৎতা কোংগ্রেসকী লিদর রাহুল গান্ধিদা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারী শান্নখিবা হর্বাদকী জোনএফ কেন্নেদি ওফ গভর্ণমেন্টগী প্রেক্টিস ওফ দিপ্লোমেসি এন্দ ইন্টর্নেসনল পোলিটিক্সকী বর্ন্সনা হায়খি মদুদি, মালেম পুম্বনা শাথিরবা লায়না লাইচৎকী অচৌবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরক্লবা মতম অসিদা অচৌবা লৈবাক অহুম অসিনা খুৎশম্নরগা ক্রাইসিস অসিবু থেংননবা হোৎনদবসি ঐহাক্কী ওইনদি য়াম্না নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়না লৌই।

জি-২০নসু ক্রাইসিস অসি থেংনবগী ৱাফম খন্নফম থোকপনি। ক্রাইসিস অসি থেংনবদা প্রাইম মিনিষ্টরর নরেন্দ্র মোদি, চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিন পিং অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নফম থোকপনি হায়না বর্ন্সনা ফোঙদোকখি।

নাটোগী হান্নগী এম্বেসেদর ওইরম্বা মীওই অসিনা হায়খি মদুদি, ঐখোয় খুদিংমক লাইচৎ অসিদা অৱাবা মায়োক্লরি। ইন্দিয়ন-অমেরিকন খুদিংমক লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। লৈবাক খুদিংমক্না মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোলশিং তোঙান্না থম্লগা পুন্না ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি নত্রগা ভেক্সিন অদু করম্না মালেমগী মফম শীন-থুংনা থোং মান্ননা য়েন্থোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয় পুম্বনা হান্না খন্নফম থোকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, ট্রম্পনা ইন্টর্নেসনল কোওপরেসনদা থাঙৈ শেংনা থাজবা থমদবদগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি লাক্লিবনি।

## পাকিস্তাননা কাপশিল্লকপদা নুপী ১ শিরে, নেপাল পুলিসনা লৌমী অমা হাৎখ্রে

স্রিনগর, জুন ১২(এজেন্সী):
পাকিস্তাননা সিজফায়র থুগাইদুনা ইরাই নুমিৎতা দিফেন্স অমসুং সিভিলিয়ন ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লান্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বরমুলা দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

ওফিসল ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কায়হৌরুবা তৌদনা পাকিস্তান আর্মিনা অয়ুক্তা উরি টেহসিলগী মনুং চনবা রামপুর সেক্টরদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। বাদগা ভিলেজদা পাকিস্তাননা কাপশিল্লকপা সেল অমা য়ুম অমদা তাশিল্লকপদগী য়ুমদুদা লৈবা অকতারা বেগম কৌবী নুপী অসি শিখি। নম্বলা ভিলেজগী প্রবিন কৌবী নুপী অমনা অশোক অপন নংখি। সেল কাপশিল্লপা অদুদা য়ুম খরা অমসুং লান্নাই গাড়ী খরসু অমাং অতা থোকখি। শগোলশেন নুমিৎতা জম্মু দিভিজনগী মনুং চনবা এল ও সীদা পাকিস্তাননা কাপশিল্লকখিবদা লান্মী অমা শিখিবগা লোয়ননা মীচম অমা অশোক অপন নংখ্রবা মতুংদা মখা তানা ইরাই নুমিৎতসু সিজফায়র থুগাইবগী থৌওং চথরকখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী বোর্দরদা য়েৎনবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ইরাই নুমিৎতা নেপাল পুলিসনা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিনবদা সিটামরি দিষ্ট্রিক্টতগী বিহারি লৌমী অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

## হোম ক্বারন্টিনগী কাংলোন থুগাইবগীদমক মীওই ৪০ বুক তৌখ্রে

চেন্নাই, জুন ১২(এজেন্সী):
হোম ক্বারন্টিনগী চৎনা কাংলোনশিং থুগাইবগীদমক চেন্নাই সিটিদা মীওই ৪০গী মায়োক্তা কেসশিং লৌখৎখ্রে হায়না গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসন (জি সী সী)না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিনগী ক্বাংলোনশিং থুগাই হায়রিবা মীওইশিং অদু কন্টেন্টমেন্ট জোন ১৫গী মনুংদা ১৪দা লৈবশিংনি। ক্বারন্টিনগী কাংলোন থুগাইবগীদমক জোন ৪ টোন্দিয়পেট অমসুং জোন ৫ রোয়াপুরমদা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না বুক তৌখি। ৱার্নিং কয়া পীরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখি।

ক্বারন্টিনগী কাংলোনশিং থুগাৎইবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেন্নাই কোর্পোরেসনগী কম্মিস্নার জি প্রকাসনা ৱার্নিং তৌখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, পুলিস কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌগনি অমসুং ক্বারন্টিন থুগাইরিবা মীওই অদুগা লোয়ননা মহাক্কী কনটেক্টশিং কোভিদ-ক্যের সেন্টরশিংদা থমগনি। গভর্ণমেন্টকী ইনফেক্সন লাকশিন্নবগী প্রোটোকোলশিং থুগাইরিবা মীওইশিংনা অতৈদা লায়না শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। হৌজিক ফাওবদা কোর্পোরেসন অসিনা কোনবা মফমশিংদা মীওই ৩০০০ রোম হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা মপান লৈবাকশিং অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদগী হল্লকপশিংসু য়াওরি।